## ৱারী মচা

# অথুইলুগী মঙলান

**রাজেন খুমুকচম**

লৈশাবী মপুং ফারে। পুন্সিল্লগদি লুখম থনবা মশমদু থাদোক্লুগদি লেক লেক লাউনা লেংপাক লান্দুনা নীংদুয়ে। হাইথরকপা পান্থোম, শাওং শাবান্দা অউবশিংনা কল্লক্তবা য়াওদে। অসিগুম্লবা প্রকৃতিনা পীথোরকপা শাবান্দুদা মোৎতায়নরবা ফিজোল শেৎচরগসু মকোক্তা সম অমা য়াল্লগা লাকপদুদি ঙাওরোইদবা কনা লৈরি?

অসুম্না নুংতিগী পামদা হেক হেক লাকপী অথুইলুবু য়েংহৌনবা লনচিপুনা চুশাং অমা পায়রগা, চার চারাদুনা ঙাইরি। হেক উবদা কৌদুনা লক্লুবা হৌরকই।

অসিগুম্বা কুমগী নোংসি করম্বা মফম অমদি মতমদা অমুক্তং তারক্কদগে খন্দুনা ঙাইরক্লিবী অথুইলুনা তাঞ্জাদু নাম্থোকখিদৌরে মতাগুম খুল্লকই, “ইবুং, নঙনা ঐবু হেক হেক লক্লরিবসি করিগীনো?”

“নঙগী মশক য়াম্না ফবনি। মীগী ওইখিগদবা পাম্মুবনি। অদুনা...।”

“ঙম্মোই, ঐদি নঙগী নুপী ওইনিংদে। নঙসে অপঙ য়াম্না মাল্লি।”

“অদুম্না হায়গনুদে অথুইলু। ঐদি নঙবু য়াম্না নুংশিবনে। নঙবু ঐগী ওইবা ফংদ্রবনি ঐদি ঙাওদুনা লোকখাদা চোংথদুনা শিনিংগনিয়ে।”

“ অদো, ইবুং, নঙবু ঐগী মপুকসে থাকপা ঙম্লগদ্রনে?”

“ করিগী ঙমদনি? নঙবু ওকপী অমদগী হেন্না চাবরনে?”

“ওই, ঐবু ওকপীগা লম্বা তৌগদো।”

“সে য়েংউ ঐগী পান্থোম, খুবোম” হায়রগা লনচিপু মাগী পান্থোম অমদি খুবোমদু উৎলি। অদুগা অমুক মখা তারকই, “ঐনা পুবা পান, মাইরেন, হৈজাং, থবীগী লেংকোৎ পোলাংদু খুনগী পাখঙ অমতনা থাংগৎপা ঙমদবনে।”

অথুইলু নোক্লগা হায়রকই, “ওই ইবুং, অদুননে ঐনা নঙবু অপঙ মাল্লি হায়রিবনে। অপঙবা মীদি পোৎলুম য়াম্না পুই হায়নবনে।”

অথুইলু মমীৎকা মখজাইগনা নোক্লুম্লগা চৎখ্রে। লনচিপুনা তান্নরগা হায়রকই, “অথুইলু নঙগী পামদো ঙসিদি ঐ লোয়না য়ানবিগে। নঙ অদুম ফমদুনা লৈয়ো। অদো, ঐনা ৱারক্লুকান্দা নঙবু পেন্না য়েংজগে, য়াবরা?”

অথুইলুনা ইশি শিথনা নোক্লগা–

“ইবুং নঙ শাউগনুও। নঙসু নঙগী থবক শুরুচো। ঐনা নখোয়দা লাক্লুগা চানবা য়াম্না পৈশিল্লম্মু। ঐখোয়নি মথন্তা পুনবসে খুনকী মী মপুক ফত্তবশিংনা উখ্রগা ৱা য়াল্লক্কনিয়ে।”

অথুইলুনা ফনা হায়জরবসু লনচিপুনা ঙমদুনা অদুম মতুং ইন্নরকই। পাম য়ৌরবদা অথুইলুনা শুগদবা থবক্তু লনচিপুনা মখাংদগী পামথাঙদু শক্তুনা শুবা হৌখ্রে। অতৎ অখম লৈতনা তারকপা হুমাংনা ইরুজবগুম্লক্লবা লনচিপুগী মতৌদু উবদা অথুইলু মপুক্লিংদু মওন মওন খনগনু য়াখিদ্রে। ইকাই নুংশি য়ান্নরা হারকই,

“ইবুং, য়াম ৱারনিয়ে। লেপখোও, চয়োম চাখিসে।” মখোয়নি লৌশঙদা চঙদুনা চয়োম থোক্তুনা চামিন্নরি। চয়োম চানা চানা লনচিপুনা অথুইলুগী ফি থুংদ্রবা হকচাংগী শরুক খরদু হুরান হুরান্দুনা পেন্না য়েংলি। মদু অথুইলুনা য়েংলকপদা মীৎচানরুই। অথুইলু মিপাইনা ফিজিনা খুমজিনজে। লনচিপু হায়রপ ইকাইখিগুম তৌই।

নুমিৎ চুপ্পা অথুইলুগী পামদা পাঙ্গল শক্তি পুম্বা ফুদোক্তুনা শুরুবদুনা মশা চোকথবদি লায়রদুনা মদুবু হেক নিংশিংলুবদা লনচিপু মোন্দা নুংঙাইরকপদা নত্তনা হেন্না হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলকপগুম তৌরকই। নুমিদাংৱাইরম লৈকায় কোয়বা তোক্তুনা ঙন্তানা ফমুং চংলগা মোন্দ্রং শান্নবা হৌরকই। অথুইলুনা পুরকপা চয়োম মখোয়নি পুন্না চামিন্নখিবা চয়োমদুগী মহাওদু নিংশিংলুরগা মহাক্লা চাখিবা চয়োম খুদিংমক্তগী হেনখি হায়না মথম্মোয়না হায়রকই। লৈশা পাখঙ অনিদু নোংমা নোংমগী নকশিন্নরক্তুনা লৌনা লৈনরে। নুংশিবীনা ইনাক্তা লেঙদনা লৈরগবু নিপা ওইবা কনানা করি পেন্দবা অমুক লৈরমখিনি? অসুম্না পামদগী লোক্লকপা মহৈ–মরোং অমদি অতৈ পোখোকশিংদু লনচিপু মশানা তমেংলোং বাজারদা চত্তুনা হেক হেক য়োল্লুই অদুগা মদুদগী ফংলকপা শেলনা য়ুমগী অৱাৎ অপা পুম্বা মানা লৈরকই।

কুমওন কয়া হৌখ্রে। মখোয়নি মচানুপী অনিগা মচানুপা অমগগী মমা মপা হায়বদু ওইরক্লে। চীংগী লম ওইবগী মথক্তা অমুকসু মনুং হঞ্জিনবা মফম ওইবদুনা মখোয়গী মচাশিংদু লাইরিক লাইশু তমহনবগী ৱাখল থোইনা লৈতে। খরা চাওরকপগা মাগী মাগী মপাঙ্গলদুনা ঙম্বা মতেং পাংশিন্নদুনা শু–নোম্বগী ৱাখলদা লোইনা লৈনৈ। অদুনা লমদমসিগী পুন্সি মহিংসি–নোংমগী পাঙ্গলনা অঙম্বা শুরগা চারগা নুমিৎ তাবা নোংঙানবা ঙাইবনা মরু ওইবা থবক্লি।

মীথোই মীহেনবমক নত্রবসু ঈংনা চীক্লা পাঞ্জরিবা ইমুংগী থৌবুরেল লনচিপু মশা ঙম্লক্ত্রে। অকনবা অরুম লাইহৌনা নারে। খুনগী মাইবনা মন্ত্র কয়া শোল্লে, লাই কয়া খুরুম্লে, মনা মশিং কয়াদগী শেম্বা মখল মখা কয়াগী হিদাক চারে। অদুবু ফবা কৌবা লৈত্রি। ফখিদ্রা ফখিদ্রা হায়ববু হৌজিক্তি থা অমরোম ফারক্লে। অদুনা য়ুমগী চান থক্লুবনচিংবা হিরম কয়াদা অৱাৎপতনা পীক থল্লক্লে। ইমুংগী লৈত লায়রবা খরা খরা উরক্লুবা মচানুপী অহলদুনা হায়রকই, “ইমা, খুনগী ইমান্নবীশিংগুম ইনাউগা ঐখোয়নিসু মখোয় ময়াংগী থবক শুবদো য়াওরুগে।”

অথুইলু পাউখুম পাক্লা পীদে। মওন মওন খল্লি।। ইমুংগী লৈতবশিংদু উরদুনা ইনখৎলক্লিবী মচানুপী অনিদুনা হায়রক্লিবদুদা মপুক্লিং নুংশিবা ফাওরকই।

অদুবু ফনা খন্দুনসু চৎকনু হায়বা ৱাহৈসিমদি মাগী মচীন্দগী থোকউ হায়বা শুকয়া য়াখিদ্রে।

মমানা তুমিন লৈরিবদু য়ারবনি হায়দুনা লৈশাবী মচা অনিদু মমান্নবীশিংগী মরক্তা বি আর টি এফকী লম্বী শেম্বগী থবক য়াওবা চৎখ্রে। অথুইলুদি মচা অতোম্বদুগা অনাবা মপুরোইবদু ফমশেন্নবদুনা য়ুম থাদোকপা ঙমদ্রে।

অথুইলুনা মপুরোইববু চাক চানবা পুশিল্লকই। লনচিপুনা হায়রকই, “চীনসে ইখা খাই করিমত্তা চানীংবা পোক্তে। লাম্বসু ফাওদে।”

“ কয়ানিদি শুরে নঙনা উতুপ তাবগুম লৈদুনা করিমত্তা চারক্ত্রিবসে? খুনগী খ্বাইদগী পাঙ্গল্লবা ওইরম্বা নঙনা শোম্থদুনা নশা নথন্তা লেপ্পগা চৎচবা ফাওবা ঙমশিল্লক্ত্রি।”

লনচিপু পাউখুম অমতা পীদনা ঙাইহাক তুমিন লৈরুরগা নাথৈননা হংলকই–

“ঐনা ঙমদদুনা লৈরবনিনা হাপ্তা কৈথেলদি নঙনা কারুবা নত্রা?”

“কারুদে।”

“অদুদি করি করিদি লৈরি?”

“লোয়নমক লৈরি।” অদুবু ৱাহৈসিমক্তি অথুইলুগী মচীন্দগী থোক্লকউ হায়বা হন্দকমুকসু য়াখিদ্রে। মরমদি ইমুংদুদা চান থক্লুবা করিমত্তা লৈশিল্লক্ত্রে। য়ুমথংনবদগী পুশিল্লগা চারিবনি। অথুইলু মমায়দু লৈথোক্লুগা কারক্লিবা হুমাং মরিকশিংদু ফিজিনা লোম্না তৈথোকচৈ।

“ ঙসাইদগী ইচানুপী অনিদুদি উদেনা। নঙনা মখোয়বু পাউখোন থাখিবরা?”

অথুইলু হন্দকসু খুম্বা উমদে। মশাদু ফুনগৎলকই। করম্নসু খুমগনি? য়াম্না খঙগনবা লনচিপুনি। অথুইলুনা খুম্বা ঙমদ্রিবদুগী পাউখুম মহাক মওল–মওল খল্লি। মচানুপী অনিদু মখোয়গী পামদা থবক শুবা চৎহল্লমগনি নত্রগনা খঙন চান্নবশিংদগী লৈত লায়রা হংহনবা চৎহল্লম্বসু ওইর্বা য়াই।

পুম্মমকসি খল্লুবদা মশাদু হুমাং পাখৎলক্লমাল্লে লনচিপু ফুক হৌগৎলকই। অদুবু খঙহৌদনা লেকথদুনা তুথরকখি। অথুইলু খংপ্রেক খংই। ৱাচেৎকী কাংথোলদুদা থাংগত্তুনা নিংথিনা হিপহল্লগা লৱাইদা ঈশিং থাদুনা হোৎনজে।

ঙাইহাক লায়কন্নরক্লুবদা ঞ্জান তারক্লে। নিংশিংলকই অদুঙৈগী পাঙ্গলদো ! ৱাখল তৌরদুনা য়াম্না তপ্পা হংলকখিবনি।

“ওক মচাশিংদু কয়াম চাওরে?”

“চাওদ্রি, মখোমদি খাইরে।”

“ঐনা সুমাইনা লৈরবদি কমদৌনি..? অমতং ফারগা তমেংলোং হপ্তা কৈথেলদা য়োল্লুরো। অশিৎপা শেল খরদুদগী ঐগী হিদাক খরা হিদাক য়োনফমদগী মখোয়গা তানরগা লৈরকউ। অদুগা অরেম্বদুনা ইমুংগী অৱাৎ অপা খরসু য়েংলকউ।

মথংগী অয়ুক অঙনবনি। অথুইলু ওক্লোন্দগী ওক মচা অমা ফারে। মঙক্তা থৌরী থুরগা সম মনুংদা হাপচিল্লগা তমেংলোং কৈথেল তম্না লাক্লে। কৈথেল নুমিৎনিনা মীনা চীক্লা চায়না ঙম্লমদ্রে। মাগী ওক্লাউদু মীরক্তুদগী খরা চথোক্লুগা মতাইৱাই অমদা থাদুনা য়োল্লি।

অদুক য়াম্বা মীয়ামদু মাগী মাগী পুনরকপা পোৎশিং য়োনবা লোইনরগা মানা মানা লৈগদবা পোৎশিং অদুম লৈরগা মথং মথং চৎনখিদুনা কৈথেলদু মী ইতাক তাল্লক্লে। মতম অসি ফাওবা অথুইলুগী ওক মচাদু কনানসু য়োল্লিবরা হায়নফাওবা হংলক্ত্রি। নুংথিলগী পুং অনি তাশিল্লক্লুবদুদা উপায় লৈরক্ত্রদুনা মপুক্লিং নুংশিনা ওক মচাদু সমদুদা অমুক হাপচিল্লগা শাককফমশিংদা কোয়না চত্তুনা হারে। অদুবু ওক্তুদি পীক্লিবনিনা চানবগীদমক ককপা য়াখিরোই, লোইগে হায়বা মীওইশিংদা য়োল্লু হায়দুনা মথং মথং থাদোরক্লে। ময়ুমদগী পুরকখিবা লুম্বু লুম্বু শাবা আশাদুনা পি ওল্লগা লেপ্তুনা চেন্থরক্লগা হুমাংগা তোৎশিন্নখ্রি।

থবক শুবা চৎপা মচানুপী অনিদুসু ঙসিদি থবক চৎহল্লমদবনি। মমানা কৈথেল কাখ্রবদি চানবা চেঙসু ৱাল্লক্লনি হায়না মায়থোঙ মকা লামহৌবনি। লৈকায়দগী পুশিল্লুবদুসু ঙসিদি খরদংদা ওইরবসু শিংদোক্লগে হায়না খনখিবনি।

অথুইলু কৈথেল কুম্লক্লে।

সমদু হেক থাবা উবগা মপুরোইবা লনচিপুনা হংলকই।

“কদাই ঐগী হিদাক্তি?। করম্বা চাগদবনো? হিদাক চারবদি ঐসু ফরনিদা।”

অথুইলু ৱ অমতা ঙাংদে। সম মনুংদগী ওক মচাদু লৌথোক্লুগা ওক্লোল্লোমদা চুমদ্রিং চঙখ্রিবদু লনচিপু ৱা অমত্তা ঙাঙদনা য়েংলি।●

# শৈরেং

### থৌদাংনি লৈরাংগী

*–এলাংবম ধনঞ্জয়–*

শাৎলি অহাংবা লমহাংদা
কনানা য়েংবিনি খল্লুদা
মিংনাইদবী লৈরাং মথন্নতা।।

চৎখি কনানা খোঙনা নেৎতুনা
কেমহৌই পুন্সি খঙবিদনা
শল্লুপকী খোঙ্গুল মরক্তা।।

কুমগী নোংনা লাকপদা
তরং লাইজা ঈরোম্নুংদা
মাংখি মথন্তা পাৎতুনা।
বসন্ত কয়া হৌখরে।
কুমজা কুমওন খুদিংদা
লৈরাং লৈশাৎ তমজখি
মাংখি খোংনেৎনদুনা
কুমগী নোংনা চেন্দুনা।।

কপ্লসু ফংজখিদে মাদি
লৌখি পুন্সিবু নোক্লা
অৱাবা, নুংঙাইবা, পেন্দবা
চংবা, শিবা, মাঙবা
লৈরাংমাদি খল্লুদে।।

পোমগনি, শাৎকনি, কেনগনি
মপুগী শিন্থা পাংগনি
পুন্সিগী থৌদাংনি লৈরাংগী।।

উরুবা ঐতনা ৱাজবনি
লৈরাংগী পুন্সিবু উজরগা।।

### ঈশিং ঈচাউ

*–আর কে বিমোল–*
*সগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দ*

ঈপাল থাগী নোংজুনা
অতৎ–অখম লৈত চুরী
অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং
নুমিৎ কয়ানি হৌখ্রে
লেপ্পা লৈতে, পাখৎনৈ মীয়াম।
লাক্লি কনানা তুরেল ইমাই য়েংবা
কদাই মপাদনো নমখাইখ্রে হায়
লৈরায় তুরেল তাবা লৈরক
ঈশিং ফাওজিল্লকই
য়ুময়াগী খোংবাল, নালা চেনশিল্লকই ঈশিং।
তুরেল ইমাই তোঙনা চেল্লি
পুমথন থনখ্রি ঈশিং ইমাই মান্ননা
য়ুম, ইংখোল , পুখ্রি , কোম
ইমাই ৱাংখৎলকই, পোৎ–চৈ হোন্দোক্লে
শাফগদবা, মফম থিনৈ।
য়েংথরকই ইনাক খুনবৈ তালোয়না দোলান্দ
চাকঙনা চারগা মচাশিংগা
লাওরকই মচাশিংনা , ইমা অমসু চেন্থখ্রে
হন্দক্কীসিদি অঙাংগী শান্নপোৎনি
মাঙতাকহনখি লাইরবগী য়ুম।
তুরেল খোংবালগী অহল চাওনু মপা
চাইরি শেল অচোয়বা ময়ুমদৈ
খুজোক অহুম ইমাই তম্না
খুরুম্লগা হায়রি হন্থবিরো ঈশিং
তোয়মনবনা সহরদদি
পঙচৈ চৈনদে সরকার ।

### ঐ কনানো

*–নিংথেমপিশক ৱাইরোকপা–*

অনৌবা ঙমখৈ অমা
ঈখৌ লাংলকপসিদা
পূক্লিংসে মিপাইরে
অদুবু হেন্না লুরিবদি
ঐ কনানো খঙদ্রিবসিনি।

কুনমাথোইশুবা শদাব্দীসিদা
খোঙফম হন্দুনা লেপত্রবদি
ফিভম শোক্লুবা ইজাতিসিগী
লাইবক লেপ্পা লুরবনি।

ঐ কনানো খঙদ্রবা
ঐগুম্বা মীতৈসে উরগা
লাইরমলেন্দা
ইপু খোঙনাথাবনা
মতিন শিৎলমগনি শোইদনা।

সনামহী কোল্লু য়ৈখায়বা
উমংলাই খুভম মুথৎপা
পুয়া মৈ থাখিবা
ফুঙ্গা ৱারীগুম খল্লিবা
ঐসিবু মীতৈরা?
মীপোৎনা ইরন্নি খল্লিবা
ঐ কনানো
ঐ কনানো?

## তাবুনুংদগী

**( য়াকাইরোল চেফোঙ (১৯৩০) দা কবি খ্বাইরাকপম চাওবগী শৈরেং অমা ফোঙখি। শৈরেং অসিদা মতম অদুগী হোংলক্লিবা মশক ফজনা উৎলি। পামিন্নসিঃ এডিটর )**

## নীংখায়রে

### (ঈশিৎপা নিপা অমগী অৱাবা দশা)

মেল্লো লাও মেল্লো লাও, লোইন নীংখাঈরে।
সাহিত্যগী পনয়াইমক্ত হানন নমখাঈরে।
কনাগী লীলা কনাগী ঈশৈ লোইন তাওথরে।
ঙমগদবন থিংহৌরো ও, পাথরে পাথরে।
পান্থোম অনি থাঙ্গত্তুন, প্রেমগী ধারা শিন্থদুন,
ঈরৈদা মশা ঙামঙাম তৌন, লাওজরকই ঈশিৎপনা।
লাইবক চাওবা ঈশিৎপা থোইনদুম য়ানখাইরো।
চেল্লক্লিবা ঈচেল অদু, ঈপাক্তদুন তিহলনখ্রো।
মতমগী ঈরৈ অকনব, কনানবু থিংঙুনি?
অরিবগী মহুত্ত অনৌব, মহৌশাগী নিয়মনি।

ফিজেৎ ওল্লে শমখাক হোংলে, করি লৈরিব?
খর অদু থিংঙুদনা, নংগী করি কান্নবা?
(অফবনা লৌগনি, ফত্তবনা তোক্কনি করি ৱারুবা?)
নংনা শীচচবা ঙম্লগ, লেম্লে নংনা ফংগনি,
ঐখোয় করি কুমদুন, অরেম্বদা চোৎলুনি?
ঈশিৎলিবা তাদও! নয়ুম তন্নদুম হোৎহলৌরো।
কুমগী ঈরাসু হৌরক্লে, অঙাংনুবীন লাওরক্লে।
নোংও চুথরো, লাংজিং মতোন থুমহৎলো।
পাশোই নুরাবী তেকখৎলো, হনুবা হনুবী তাওথরো।

---

## লাইরিক্কা উনবা

নাওরেম রোমিনাগী শৈরেং লাইরিক ‘মঙগী মচুশিং’ (২০১৪) হায়বসিদা শৈরেং ৮৭ য়াওরি, লামায় ১০৪ পাল্লি, মমলনা লুপা ১৫০ নি। মচা চনু, ককচিংনা ফোঙবা লাইরিকসি অইবগী অনিশুবা শৈরেংগী খুদোলনি। মহাক্কী শৈরেংশিংদা ৱাখল ময়েক শেংবা অমদি ৱাখল্লোনগী ফজবা শাগোন্নদুনা চঁখে। শৈরেংশিংদা ফ্রেসনেস হাপ্পা ঙম্বতা নত্তনা সবটলিটিসু লোয়নহনবা ঙম্মী। পোইটিক ভিয়্য অদুসু য়ুনিভসিএল ওইনা মনিংতম্না লৈহল্লি। শেমজিন–শাজিন্দুনা ক্রিটিকেল ওইহন্দে, প্রোপেগন্দা ওন্থোক্তে। লোন খনবদা হৈ–শিংই, সিমিলি, সেটাফর অমদি ইমেজরিশিংসু থক্তোকহনবা ঙমই। শৈরেংদা কবিনা করি হায়রিবগে হায়বসিগা চপ মান্নবা মওংদা অকক্লবা হিরম অদুদা করি কমদৌনা ট্রিটমেন্ট পীবগে হায়বসিসু মরুওই। মেচ্যুওর ওইবা ক্রিটমেন্টনা কবি অদুগী মেচ্যুরিটি অদু অপাবশিংদা য়ৌহনবা ঙমই। কবিনা প্রকৃতি হায়বসিমক মীওইবগী পুন্সিগী শরুক অমা ওইনা নত্রগা মীওইবা হায়বসি প্রকৃতিগী মচা ওইনা লৌই। প্রকৃতিগা পুন্সিগা থাদোক্লবা য়াদবগুম্না মপুক্লিংদা ফাওরকই। অমুকসু মীওইবগী পুন্সিগী ফজবা মশক অদু মহাক্কী পুক্লিংগী মীৎলমদা ফাওরকই। মতাংসিদা নিংশিংবা য়াই– " art, then, is a representation of the real in its mental aspect." সমাজসিদা

> অহিংবা ওইরবসু করিগুম্বদা শিদবা য়াদবগী ওন্থোক্ল কৃটিকেল ওইবা মতৌনি। মতমসিগী সমাজসিদা হিংলিবা মী পুম্বা মশানা মশাগী নুংদা য়াওরজরকপা নুংশি খঙবা থম্মোয়দু হাত্তোক্লখিবদগী নুংশিনদবনা শক্তম পান্দুনা চোংথোরকই।

মী পুম্বা চপ মান্ননা শরুক য়ামিন্নদুনা হিংমিন্নরবসু পুন্সিগী অর্থবু লৌবা মরৌ,মদুগী মতুংইন্না পুন্সিদা য়েংবা মীৎয়েং অমদি পুন্সিদা শরুক য়াবগী মওংসি মী অমগা মী অমগা মান্নদে । কবিগী মীৎয়েদদি কনাগুম্বা অমনা পুন্সিবু নুংশিনা য়েংলবদি পুন্সিনসু মদুগী রিসিপ্রোকেল রিটর্ন পী হায়বসিনি। মীওইবগী পুন্সিবু মশক খঙনা নুংশিনা য়েংবা ঙম্বা হায়বসি ঈশ্বরবু মশক খঙবনি হায়না কবিনা লৌই। মরমদি ঈশ্বর হায়বসি মীওইবগী পুন্সিদগী থোরকপনি। অদুনা পুন্সিবু মশক খঙবগা ঈশ্বরবু মশক খঙবগা অমত্তনি লৌই। মী অমনা পুন্সিবু লৌবা মরৌ অদুগা মহাক্লা সমাজদা হিংবা মওংগা থাদোক্লুবা য়াদে। মী পুম্বা মহাক্লা মশা–মশানা লৌজবা অর্থদা মশাগী পুন্সি অদু সমাজ দা হিংজবদা অকয়াবা লৈতে। তৌবদবু সমাজ হায়বসি মীয়াম্না শাবা মরম্না মহাক্কী লন্না পুন্সি মহিং অদুনা সমাজগী পুন্সি ঈচেলদা অপনবা পীরকপদি য়াদে। অইবনা পুন্সিদা য়েংবা মীৎয়েংবু নিংথিজরবা ইমেজরি অমদি শুর ছন্দগী তান্থা অমগা লোয়ননা শৈরেং অমদা ইরি– “ঐনা নাকেন্থা খুদিং / কিশিন্দুনা থম্মী। ঐগী থম্মোয়দা য়েন্নিংথাগী। অশংবা উনাগী জগোয় খুথেকশিং/ কোয়না পায়রিবা চেক্লশিংনা / নাউশুম ঈশৈ শক্লিবা / লাক্কদবা য়েন্নিংথাগীদমক / নখোয়বু তাদৱা ঈশৈসে/ ঐগী থম্মোয় অসিদা হিংলিবা। অরাংবা ভাবকী তাইবং অমবু চঙখোনবা মফোঙদোক্তা য়েক্লকপনি।

অমুকসু মণিপুরনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়াগী মথক্তা মণিপুরনা মশাগী মনিংতম্বগী লান অমা ঙসি ফাওবা চখদুনা লৈরি।

অসিগুম্বা নিংতম লালহৌ অসিগী নিংতম ফিরালবু রাখ মপুং ফাদ্রিবা নৌরিবা অঙাংগা পাংখক ওইরিবা মখোয় খরনা অঙম তান্নদুনা মুন্নরি। মসি কবিগী কল্পনাদা ফাওরকপা শক্তম অমনি। মখোয়না মুন্নবদা ফিরালবু মতৎ–মতৎ তৎলে। মসিনা নিংতম্বগী ফজরবা স্প্রিট মাঙহনবদু উৎপনি। মখোয় খরদি নিংতম্বগী মকথরবা মঙালবু য়েংলদুনা তেংথা নাওইনা কপ্পি। মসিনা নিংতম লালহৌ অসিদা থম্বম্বা মীয়ামগী থাজবদু মাঙলকপগী মতৌদুনি / অদুনা মখোয়দুবু উরকহ”–মমা কয়াগী মথানুংদগী / ফন ফন চোংথদুনা চৎখিরম্মী / মচাশিংনা নারক মোংশোংশিংদা / লাইরৈবাক্কী লম্বী / থিনবা / মখোয়গী লাংতক্লুবা করিনো? করি মাঙখ্রবা মখোয়গী/ অসুক কুইরবা মতমসিদা / থিরিবা মখোয়না।” মখোয়না নিংতম্ববু থিনবা চৎলিবা খোঙচৎ অসি চুমথাং মখোঙ থিবগী খোঙচৎকা মান্ননা উরকপনি। মরমদি লমদমসিদা ঈ মরীগী মচীন–মনাও মশেল ওনশিন্নদুনা অঙম অঙম হাৎতোক্লুবা, মসিদগী করিসু আশা তৌনিংঙাই উদে। লানফম অসিদা লানঙম ফিরাল থেৎকদৌরিবা অসিবু কনানো? কবিনা হংলিবা ৱাহংসিমক সমাজ অসিদা হিংলিবা মী পুম্নক্ল হংলিবা ৱাহংনি। মীয়ামগী পুক্লিংগী ৱারোল অদু কবিনা মহাক্কী শৈরেংদা ইথোরকপনি। কবি অমা হায়বসি লনাই মী অমা ওইবতা নত্তনা মতমগী সমাজ অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী থম্মোয়দা ফোঙদোকপা ঙমদনা লৈরিবা পুক্লিংগী ৱারোল ফোঙদোক্লিবা মীওই অমসুনি। নিংতম লালহৌ অসিদগী সমাজ অসিনা ফংলিবা হায়ববু জাতিসিগী মমল য়াম্লবা থৱায় কয়ানা মাঙখিবদা কায়না চৈথেং নংলবা ইমুং মনুংগী মীয়াম্না পিরাং শিন্থহৌবা অসিখক্তা ওইরি।

কবিনা মীওইবগী পুন্সি হায়বসি অরেপ্পা লৈতবা খোঙচৎ ওইবনা করিগুম্বদা মমি ওইনা উরকই। অসিগুম্বা পুন্সি খোঙচৎ অসিদা পুকচেল ফত্ত্রবা মীওইশিংনা অঙম তান্নবদা হিংসা থোকহনবা,হাৎন–শুনবা, ঈখেং তান্নবগী থৌদোকশিংসিগী অর্থ করিনো? পুন্সি হায়বসি মতমগী অহাঙবা লামায়দা শক্তম অমা য়েক্লবা হোৎনবগুম্বনি। য়েক্লিবা শক্তম অদুসু কৈদৌঙৈদা মপুং ফাহনবা ঙমদবা। লৈহৌরিবা হায়ববু অমম্বা মরক্তা ময়েক শেংদবা খোঙলম্বী অমত্তমক ওইনা উই। মরমদি মীওইবা হায়বসি পোকই, চাওরকই অদুগা অমুক শিখি। মতমগী পঙখৈ মনুংদা হিংলিবা মীওইবগী মফমদা মান্নদবা মচুশিং শঙজিল্লকই। মচুগী মমিশিংনা মতম অহাঙবা লামায়দা অনৌবা পুৱারী অমা ইনবা লাক্লরকপগী মশক উৎলি। মসি পুন্সি খোঙচৎকী মরমদা ইবা শৈরেংনি। করিগুম্বদনা কবিগী মীৎয়েংদা সমাজসিদা অহিংবনি হায়দুনা চৎলিবা,লৈরিবা ময়ামসি কবিগী মীৎয়েংদা কয়ারক হন্না শিখ্রবশিং ওইনা উরকই। অহিংবা ওইরবসু করিগুম্বদা শিদবা য়াদবগী ওন্থোক্ল কৃটিকেল ওইবা মতৌনি। মতমসিগী সমাজসিদা হিংলিবা মী পুম্বা মশানা মশাগী নুংদা য়াওরজরকপা নুংশি খঙবা থম্মোয়দু হাত্তোক্লখিবদগী নুংশিনদবনা শক্তম পান্দুনা চোংথোরকই। মসিনা মালেমদা শান্তি মাঙহন্দুনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা লোইনাইদনা ঈখেং তানবা মরম ওইরকই। শক্লোন য়াম্লবা অরানবগী মায়থোঙ চরোংনা সমাজ অসিবু পুময়োম য়োমশিল্লকই। মীওইবনা মশা মশাগী থম্মোয়নুংদা য়াওজবা নুংশি খঙবা মতৌ অদুবু হাত্তোক্লরগা তায়োন্নবা মতৌদা মশামক্তি অতোপ্পদগী নুংশি ইখৌ লাংই। অইবীনা হায়নিংই মদুদি অতোপ্পদগী নুংশিবা পাল্লবদি মশামকসু নুংশিবা ঙম্মু নুংশি খঙবা থম্মোয় পাল্লু। কবি রোমিনাগী শৈরেং লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিংদা অৱাংবা ৱাখল অমদি মফোঙদোক্কী চঙখোনবা মতৌ লোয়নবনা পাবদা নুংঙাইনা থোকই। অদুবু করিগুম্বদা পারকপদা কন্টিন্যুটিদা লিঙ্ক মাঙবা,ভোকেবুলরি মরাং কায়দবা , না–পু তাদবা খরদি থেংনৈ। মায়কৈশোমদা অইবীনা খরগা হেন্না মীৎয়েং থমদুনা মনাা তানা শৈরেং ইথরক্লুবদি অইবী অসি মণিপুরী সাহিত্যদা থোইদোক্লা মশক নাইবা কবি অমা ওইরকখিগনি হায়বসিদা থাজবা থম্মী।

**– আর জে মীতৈ**